# মীতোপ খন্দোক্লুবা তুংদা মীকোক থিগদবনি, ইরৈচাশিং ৱাখল খন্থবীয়ু



— মুতুম শান্তি —
(শোখরবশিংদা কখোকচরি)

মণিপুর হায়রিবা লৈবাক অসি মণিপুরী মীয়ামগীনি। য়েলহৌমী ইপা-ইপুনা থম্বীরম্বনি। ঙসিদি মীতোপশিংনা খাবৈ-খারা শারে। লৈবাকসি কাং-খোং চাইরে। য়েলহৌমীশিং ইশানা ইশাবু মশক খঙজদ্রে। লৌ মপু য়োংনা তাল্লে। জৱাহরলাল নেহরুনা ইরম্বা লাইরিক অমা পাবদা অসুম্না থেংনজে মদুদি মুগোল দাইনেসটিগী নিংথৌ আকবরগী লৈঙাক সাসন ফজমনখিবনা জেনরেশন (সুরোন) ৩ ফাওবা চেকশিন্না, ফজনা পানখি। হায়রিবা অকবর নিংথৌ লাইরিক হৈতে। খুবীনা খুৎয়েক পী। অদুবু কোনুংগী দরবার লোয়শঙদা অশিংবা মীওই খক্তা থম্মী। অশিংবা মীওইশিংগী মরক্তা বিরবলসু অমনি। ঐখোয়না ইন্দিয়ন হিষ্ট্রি তমজরকপদা বিরবল লৈরমদ্রবা অকবর অফাওবা নিংথৌ ওইরমদবসু য়াই। বিরবল পাইরক্কী লৌশিং য়াম্না লৈবা মীওইনি।

লমদমসিগী লৈঙাক সাসন পায়নীংবা, ইলেক্সনদা মীরেপ ওইনীংবা মীওইশিং মালেমসিদা লুচিংবা ওইখিবা, ওইরিবা কয়াগী হৌখ্রবা পুৱারী নৈনবা হায়বদি লাইরিক হায়বসি শুকপামক পাদ্রা? লাইরিক পাবগী হৈনবী লৈতবা হায়বসি খ্বাইদগী চাওখত্তবা মীওই অমনি। লাইরিক তম্বদা মতম থেংবা লৈতে, লোইবসু লৈতে। খঙনীংবা মীওই খক্তনা লাইরিক পাগনি, খঙনীংদবা মীনদি লাইরিক পাবগী হৈনবী খক লৈরোই। লমদমসিগী পুৱারীদি লাইরিক ওইনসু তল্লক্তে। ইশাগী ইরমদমগী পুৱারী খঙদবা হায়বসি ঐখোয়গী খ্বাইদগী অশোয়বা খোঙথাংনি। অফবা, ফত্তবা হিষ্ট্রিদি ইথোক্তুনা থম্বীগদবনি। তুংদা লাকপা মীওইনা অফবা খনগৎলগা তমগনি। ফত্তবা লৈরমদ্রবদি অফবা মশক করম্না খন্দোক্কনি। হৌখ্রবা পুৱারী অমদি হৌজিক মতমগী য়াওলদা ওইরক্লিবা শক্তমগা পুনশিল্লগা লুচিংবা ওইরিবশিংনা তুংগী মীরোলগী লম্বী শেল্লমগদবনি। মীৎকুপ অমা খন্নফদ্রা?

তুংদা লাক্কদবা পোম্মিৎ শাংনা উবা ঙমদবা মীওইনা মীয়ামগী লুচিংবা ওইহনবা য়াবা নত্তে। মীয়াম চনীং তানা, পূক্লিং চঙনা ৱাখল খন্থসি। লৌশিং তানবা লেপ্পা য়াদে। লৌশিংনা শামু ফাবনি। লৌশিং হায়বসি কদাইদা লৈবগে? ইশানা অফবা, ফত্তবা, চাওখৎপা, চাওখত্তবা থেংনরুবা কয়াদগী খঙবসু লৈ। অদুবু মসি খরা তপ্পী। খ্বাইদগী অথুবা লৌশিং কয়াদি মালেমদা লৈরিবা মীওইশিংগী মরক্তগী লাইরিক হৈবা, লৌশিং লৈবশিংনা ইথোক্তুনা থম্বীরম্বা, হায়বীরম্বা, ঙাওবীরম্বা ৱাহৈ কয়াদা লৌশিংগী মঙাল থেংনরি। মীওইবনা ঙমদবা করিসু লৈতে। ইথোক্তুনা থম্বীরম্বা লাইগী লিক্লম পরেং (লাইরিক) হায়রিবা অইবা-অইবীশিংনা ইবিরম্বা কয়াবু পারগা লৌশিং তানসি। তেল্লবা মীওইবগী পূন্সি খোঙচৎ অসিদা অফবা ৱাখল খন্দুনা হিংবদা মরু ওইবা থৌদাং লৌমিন্নসি।

মীয়াম্না ঙসিদি লুচিংবা খনবদা লাইরিক হৈতবা, লৌশিং য়াওদবা, পুৱারী পাদবা, উক্রোং অহোবা কোক পানবা হায়বদি লৌশিংগী পূক্কে ওইদবা, অহাঙবা তুম্বা, অসিগুম্বদা লৈঙাক্কী চাউরবা শক্তি শিন্নরুবনা ৱারিবনি। নুংশিজরবা মীয়ামদা ইশম-শম্না নীংশিংজনীংবদি শেল য়েল্লগা ভোট কাগনি থোরল্লিবা মীরেপশিং অফবা মীওই অমত্তা নত্তে, লৈবাক মীয়ামগী য়েক্লবনি খন্থবীয়ু। মীওইবগী লমচৎ-শাজৎ হায়বসি অরূবা ঈশিংগুম্বনি। হৌজিক থোক্লিবা, মাঙদা তারিবা অৱা-অনা, মীশি-মীনা ময়ামসি ভোটকী মতম্না লাকপদা শেল য়েনবদা লৌখিগদ্রা? ইরমদম্ব নুংশিবা, ইশাবু ঈজৎ লৈনা হিংজনবা মরু ওইবা ৱাখল্লোন লৈবীরবদি শেল লৌবীগনু। অফবা মীহুৎ পুথোকসি। অফবা ইরমদম ওইহনসি। মালেম পূম্বনা ইকায়খুম্নবা, লৈবাক্কীদমক কখোকপা ঙম্বা মীওই অমমম ওইসি। যূমলোন্নবা লৈবাক্কী মীনা অসুম্না হায়, মীরেপশিংনা করিগী শেল য়েল্লিবনো? মীয়াম্না করিগী লৌরিবনো? ঐখোয়গী পাউখুম লৈতে, মীনা ইকায়খুম্নবীদ্রে।

মীওইবসি জীব খুদিংক্তগী অথোইবনি হায়রিবনি। মতাংসিদা ইজরেলগী মতাং খরদং পঞ্জরবদা যূম্বানমীন্নবা নুপী-নুপা অনীসি য়াম্না নুংশিনৈ। নুপীনা হেক মীরোনখিবগা অফাওবশিংগী লাইরিক পাবা, অঙ্ক য়াম্না হোৎপা অসি চৎনৈ। অঙ্ক হায়বসি মীওইবা খুদিংমক্না হৈতবা য়াদে। যূম্বাল্লোন হায়বসি অঙ্কনি। অঙ্ক হৈতবা মীওইবদি অশোয়বনা পীক থনবনি। মচা অমা পোকপদা ৱাখল লৌশিং য়াম্না লৈনবা ৱাখল্লোননি। মমাগী পূক্নুংদা লৈরিঙৈদগী মালেমদা মীথোই-মীহেনবা, লাইপোক্নুম্না অফাওবা মী অমা ওইনবা শেম্বা হৌখ্রবনি। ৱর্ল্ড ফিগর অমা ওইদবা য়াদে হায়বগী ৱাখল্লোননি। ৱারীসি তাবদা অঙকপা অমনি হায়জনীংই। ঐখোয়সু মখোয়গী মতৌ তমদুনা মালেমদা ইচা অফাওবা ওইনবা হোৎনসি। ইজরেলগী মীওই খুদিংমক মালেমগী থাক্তা ফাওরিবসি মীয়াম্নসু খঙবীরমগনি।

কয়াদা খেন্নখ্রবনো? ঐখোয়গী সোসাইটি অসিদি অঙাং অমা পোকপগী মমল ঙসি ফাওবা লৈত্রি। নুপী-নুপাসিবু নুংশিনরগা লুহোংলবসু মতম খরগী তুংদা নুংশিনরক্তবগী মমি চাউনা তারি। নুপাদুনা ময়াই কাবা চীঞ্জাক শীজিন্নরগা পোকপা মচানা মশীং য়াম্মী। শম্না হায়রবদা অফবা মচা মীওইগী মশীং য়ামদে। মমা অমা, মপা অমা ওইরকপা হায়বসি মচা ফনবা অমদি তুংগী মীরোলদা মরূ চঙবা ইচা ময়াম থল্লম্বনা ইরৈবাক ইরমদমসিগী য়াইফবা ওইহনসি। মীওইবনা চাওখৎপা, অফবা খুদিংমক তমহৌসি। লাইরিক য়াম্না পাসি। পাউচে য়াম্না পাসি। পাউচেগী মনুংগী লমায়শিংদা নেশনলগী অমদি ইন্টরনেশনলগী ইবিরিবা কয়ামরুম মরু ওইবা কয়া পাদুনা খঙমিন্নসি। পাবা লোইরগা পাউচে অদু শেগাইবীগনু হায়না মীয়ামদা নীংশিংজরি। অফবা ৱাহৈশিং লৌশিনবনা চাওখৎপা লমজে লদা খুমাঙ চাওশিনবা খুন্নাই অমা ওইহনসি। অফবা অঙাং অমা শেম্বদা মমা ওইবীগী থৌদাং য়াম্না চাউই। নেপোলিয়ননা 'অফবা ইমা অমা পীয়ু পৃথিবী জয় তৌগে' হায়বীরম্মী।

মখা তারকপা ৱাফমঅমনা, মণিপুর লৈঙাক্লা হৌজিক লৈরিবা লৈবাক্কী ঈরাংসিদা কুমজা ২০২৫দা মীকোক থিবা হৌরগনি হায়খিবগী মতাংদা মীয়ামসু ৱাখল খন্থমিন্নসি। তাঞ্জা অসি য়াম্না লুরি। লমদমসিদা মীহাৎ-মীপূন চথরিবসি ম্যান্মার রোমদগী চঙশিল্লকপা নার্কো টেরিষ্ট কয়াগী ৱারী লৈরি। কয়া য়াম্না চঙশিল্লিবগে হায়বসি খঙবা নত্তে। কুকিগী মীহুৎ ওইরিবশিংনা ভোটর কার্দ, আধার কার্দ পংশাদা শাদুনা পায়রল্লবদি হেন্না অশোয়বা ওইগনি। অনৌবা খুলনা মশীং খঙদনা হেনগৎলি। ঈশিং ঈচাওগা চপ মান্ননা হেনগৎলক্লিবা খুলশিং করম্বা চহীদা করম্না খুল শেমখিবগে? এম জি এন আর ঈ জি এসতা অনৌবা খুল কয়া লৈরবগে হায়বসি টেবলদা কূপ্পা য়েংবা চঙই। চেকশিলহৌদবা তারবদি ঙসি ৱারিবসিদগী হেন্না অৱাবা ওইগনি।

পাল্লিবা বি জে পি লৈঙাক্লা কুমজা ২০২২গী সেপ্টেম্বর ২৩দা থোকখিবা গেজেট নোটিফিকেসন অদুসু বেজ য়র ১৯৫১বু ১৯৬১ হায়না ফোঙলিবনি। অদুগী মথক্তা মণিপুরদা খুন্দারিবা ত্রাইব খুদিংমক য়েলহৌমীনি হায়না ইরি। মরম অদুনা মীয়াম্না মীকোক থিবা থিংহৌসি। মীতোপ খন্দোকপনা অহানবা খোঙথাং ওইসি। হায়জনীংবদি চীংগী লম, তমগী মফমশিংদা ভোটর অমদি আধার কার্দ লৈরম্বা খুদিংমক য়াম্না চেকশিন্না য়েংলগা কক্কদবনি। করিগুম্বা লৈঙাক্কী কর্ম্মচারিশিংনা **'দেট বেক'** তৌদুনা হাপচিনব্রা হায়বনচিংবা কয়াসু কূপ্পা য়েংবীগদবনি। মীতোপশিংনা মাগী অপাম্বা ফংনবা হোৎনবদা শেল পীয়ু হায়বা পীরি। অপাইবা শেল পাম্বা লৈঙাক্কী কর্ম্মচারি মশীং য়াম্মী। ৱাফম অসি মিনিষ্টর, এম এল এনা হায়রে হায়দুনা কর্ম্মচারি মচা-মশুশিংনা মফম মরাং খঙদনা হাপচিনগনু। ঙসি মীতোপ্পা লাঙ্গৌই চনবা লমদম ওইরক্লিবসিনি। অৱাবা তারবা মতমদা কনাদা মাঙবগে? ইমা লৈবাক কনসি, ঐখোয় খুদিংমক থৌদাং য়ামিন্নসি।

লৈবাক মীয়াম ৱাখল খন্থবীয়ু। করিগুম্বা মীতোপ খন্দোকপা (এন আর সী) হান্না তৌদনা, মীকোক থিবনা হান্না তৌরবদি মীশিং হেনবনা তম্পাক লমগী ময়েং তাগনি। মীশিং য়াম্বা, য়ামদবদা খাইদোকপা-তিনশিনবা তৌবগী ফীভমদা লাক্কনি। নুংগী ওইবা ৱাফমদা লৈঙাক পুরিবশিং, মীয়ামসু ৱাখল তাবীয়ু। মীতৈসি লমদমসিগী খ্বাইদগী চাউবা ফূরুপনি। মীতৈশিং পুনশিন্দুনা ৱাখল খন্থমিন্নবা নত্তনা মণিপুর কনবা ঙম্লোই। লুশিল্লকপা, লৈবাক থুগাইনবা হোৎনরিবা লাল্লোংসিদগী খোঙফম অমা শোয়বদা অমুক হন্না শেমগৎপা ঙম্লোই। কুকিনা অরানবা কয়া চথরক্লবসু ইন্দিয়া লৈঙাক্লা য়েংদুনা লৈরিবগী মওং অসি য়াম্না লুবা খোঙথাংনি।

কুকিগী 'সূ' দা ইনরিবা চৎন-কাঙলোনগী ৱাংমদা তৌথোরক্লিবা থবক থৌরমসিদা ঐখোয়গী খোঙফমসি লুরিবনি। ইনরিবা চেরোলদা মীতৈ মীচম হাৎলু, মীতৈগী যূম মৈ থাদোক্কদবনি, নেশনল হায়ৱেদা চেল্লিবা গাড়ীগী টেক্স লৌবা য়াওব্রা? য়াদবা খক্তা তৌরিবা কুকিশিংবু য়োকখৎতুনা থল্লি। য়াদে হায়বা থবক খুদিংমক চথরিবা কুকি 'সূ' দা লৈরিবা কয়াবু ফোর্সশিংনা খুৎ থাবা য়াদে হায়দুনা ঙসি ফাওবা য়েংদুনা লৈরি। ৱাফমসি মরু ওইবা পোইন্ট অমনি। মীয়াম খঙহন্দনা পীথোক্লম্লবা কোংগ্রেস পার্টিগী 'সূ' অমদি লৈঙাক্লিবা বি জে পিনা থোকখিবা নোটিফিকেশন অনীগী শক্তিনা লানসিগী মৈচম ওইরিবনি। চীংখোঙদা লায়রবা মীচম মীতৈ হাৎলিবসি মীতোপ-মীয়ানচা য়ানবা চৎপদা শিরিবনি। মীতোপ-মীয়ানচাগী পার্টি ময়াম্না মীতৈবু লোইশিন্নবা হোৎনরি। লাঞ্জবা মীচম হাৎপগী, যূম মৈ থাবগী লো থমদ্রে, চৎনদ্রে করিগীনো? মমাঙদা পানখিবা কোংগ্রেস মীয়াম্না থাগৎখিবনি। হৌজিক পাল্লিবা বি জে পি মীয়াম্না থাগৎখিবনি। ময়াংনা মীতৈগী য়াইফনবা করি পাঙথোকখ্রবগে অমদি পাঙথোক্লিবগে?

লমদমসি নেশনল পার্টিগী কুম্দে শান্নফম নত্তে। ঐখোয়সু মীনি। চাক চারি, ৱাখল খনবা ঙম্বা মীনি হায়বসি মালেমদা শক্তাকপা চঙই। হৌবদগী লোইবা ফাওবা শোয়রবা, চেকশিলহৌদ্রবা, অমনা ঙাঙবা অমনা তাদ্রবা ঐখোয় পূম্নমক নুংশিনরসি, পূনশিল্লসি। অপূনবনা পাঙ্গলনি। লময়ানবদা খুরুমখিবগী ৱাহন্থোক লৈনা হিংসি। ইমা লৈবাক কনসি। অইবীনা মীয়াম্বু ইকোক নোন্না খুরুমজরি। মালেমগী মীয়াম্না ইকায়খুম্নহনসি। ●

# অখাঙ কনবা লৈঙাকপশিং



- খোইস্নাম ধিরেন মীতৈ -

পোম্পি বোম শাবা হৈবা কুকি হিরো নোংমৈ অচৌবা পায়বা অমগা মরোল ফাওবা থোক্ত্রিবা মমাগী মথাদা শান্নজরিবা থা ৮গী মীতৈ অঙাং অপীকপা অমগা লান শোক্লবদা মী মানবা কুকি হিরোদুনা ঙমখিবদৈ মীতৈ অঙাংদু শিখিবদা কুকিনি হায়জবা কাঙবুগীদমক ঐনা হায়নীংঙাই লৈতনা থাগৎচরি। মালেমগী মীয়ামদা কুকি কনানো হায়বসি কুকি হিরোদুনা ময়েক শেংনা উৎপীখিবা অদুগীদমক থাগৎচবনি। অঙাংদুদি মরোল থোক্ত্রিবনিনা মথন্তা লৈরল্লবদি মীতৈনি হায়বা খঙলোইদবনি। মমানা পম্বদুদা মীতৈনি খঙবনি। ঐখোয়গী মোদিজি খোই, অমিটজিখোইনবুদি অঙাংদু মীতৈনিনা কুকিগা মীতৈগা হাৎনবনি হায়দুনা ৱাখল ফাথবীরমগনি। ঐখোয়গী লৈঙাক মপু, ইকায়খুম্নজরিবা সার বিরেনজিগী অমদি মাগী কাঙবুগী ৱাখলদসু হৌজিক শোক্নরিবা লান অসিদা অহল শিবা, অঙাং শিবা, নুপী শিবা, নুপা শিবা পূম্নমকসি মমাঙগী লৈঙাক্লা শোয়রম্বদগী ওইবনিনা মখোয়দা থোইনা অরুবা নত্তে হায়বা ৱাখলসিদা তূমিন লৈরিবসিনি। জিরিগী জকুরাধোর লল্লোংদগী কুকিনা মীতৈ নুপী অঙাং তরুক ফারগা সী আর পি এফকী মমাঙদগী পুরগা চৎখিবদা তান্নদুনা কনবীনবা হোৎনখিদবদুসু মমাঙগী মণিপুর লৈঙাক্লা শোয়বদগী লান অসি থোক্লিবনি হায়বা সী আর পি এফসু খঙবা মাল্লি। অদুবু থা ৮গী মীতৈ অঙাংদুনা কুকি হিরো অমগা লান্থেংনবদা মথৱায় থাখ্রে হায়বগী পাউ মীয়ামদা হায়দোক্ত্রিঙৈদা ঐখোয়গী লৈঙাকপশিংনা হান্না খঙবনিনা পোৎয়োম য়োমদুনা কোইচেন চেন্নখি, কোইলোৎ লোৎনখি। ঐখোয়গী মীহুৎশিং লোৎলমগনি খঙজদবা মীয়াম্না মখোয় লৈরিবোই নীংদুনা ময়ূমদা চঙলুরগা লৈরমদবদৈ শাউদুনা পোৎ-চৈদা খরা তাইনখ্রে। অপঙবা মীয়াম্বু ঙাকপীয়ু। পোৎ-চৈ খরা মাঙখিবদু থা ৮গী অঙাংদুনা শিখিবদৈনি হায়দুনা অঙাংদুদসু ঐখোয়গী মীহুৎশিংনা ৱারৌবীবা তৌবীগনু।



হৌজিক ঐখোয়গী এম এল এশিং ফম থাদোকপা মতাং চাদ্রি হায়দুনা মাগী-মাগী এ সীগী মী কয়ামা থোক্লুরক্লি। ৱা অমত্তা ঙাঙদ্রবসু, থবক অমত্তা তৌদ্রবসু ফম থাদোকপগী মতাংদি শুকচা চাদ্রি হায়বসি য়াম্না ৱাহন্থোক লৈবা খোঙথাংনি। মখোয়দা ঐখোয়না শিন্নখিবা মতমসি চহী মঙানি। চহী মঙা হেক শুদ্রিফাওবা নখোয় কনামত্তা ফম থাদোকপা য়ারোই হায়রিবসি মখোয়না য়াম্না মুন্না খল্লগা লাউরক্লুবা খোঞ্জেলনি। ঈরাংসিদা মীশি-মীনা কয়া থোক্লুবসু কোইলোৎ লোৎকেরা, কোইচেন চেল্লগা অদুম খাঙবীখো। মীয়াম্না হৌজিক শাউরে হায়রিবসি অসুম্না সুম শাউরগা কুইনা লৈবা য়াবা নত্তে। হৌজিক লৌরোক পাম্থানিনা ফৌ-চেঙ খরদি হাপ্পরবনি। তিন্থৌ ফংদ্রবসু আলু চাদ্রবসু চাক্তি খরা চানখিনি। এম এল এ লৈবগী কান্নদ্রে হায়বা য়াওরিবসি মখোয়না খঙদদুনা হায়রিবনি। এম এল এ লৈবগী কান্নবা মী কয়া অমা লৈরিবনি। অশিবমখৈনা শিখ্রবসু হৌজিক ঐখোয় অহিংবা ময়াম অমা লৈরিবসি এম এল এশিংনা ফম থাদোক্তবগীনি। ফম থাদোক্লুরগা ঈরাংসি থোক লোইশিনখ্রবদি অপঙবা এম এল এনি হায়দুনা মীনা থীনা ঙাঙনদৌরিবনি। পূম্নমকসি য়েংলগা ফম থাদোক্তনবা ঐখোয়গী মীহুৎশিংদা থৌনা পীবিরিবনি। মীয়াম্না ঙসি মীহুৎশিংদা শাউরিবগী চাংসি নোংমা নোংমগী হন্থরক্তুনা ফম থাদোক্তবা মীহুৎশিংনা অশিংবা ওইরম্বদৈ মীয়ামগী অশাউবসি হেনগৎলক্তুনা শিংদবা ওইখিবসু য়াই। মতমদুদদি নখোয়দা ঙসি ফম থাদোক্লুবা হায়রিবশিংসিদা শাউনীংলক্লোইদ্রা। অশিংবা মীহুৎশিংনা ইরায় লায়না কনবীয়ু।

অপীকপা অঙাং য়াওনা মখোয় তরুক্লা লৈখিদবদা মী হায়বা মখৈদি থম্মোয় কায়নরে। মথংদসু থম্মোয় কায়বা থৌদোক অদুম থোরকখিগনি খল্লি। লৈঙাক অমা লৈরিবনিনা মখোয় তরুকপু ওৎ-নৈরগা হাৎখিবগী পেন্দবা ফোঙদোকপসু পাল্লমগনি। অদুবু অমিটজিনা থিংবীখ্রবা মাল্লি। মীয়ামগীদমক লৈবা লৈঙাক্লা মী মানবা কুকিশিংদুনা থা ৮গী অঙাংদুমতং লম্বীদা থাদোকপীরল্লবদি অঙাংদু পুলিস ময়াম্না কনবীরগা লৈঙাক অমা লৈরি হায়বা উৎপা য়ারম্বনি। ঐখোয়গী লৈঙাক মপূ ইকায়খুম্নজরবা সী এম বিরেননা অঙাংদুগা চান্নবা লৈঙাক্কী থবক অমা পীরগনি হায়দুনসু য়াম্না থৌনা ফনা লাউথোকপা য়ারম্বনি। মদুমক নৎত্রগসু ঐখোয়গী ইকায়খুম্নজরবা এদ্যুকেশন মিনিষ্টর বসন্তনা অঙাংদু ক্লাস টেন ফাওবা লৈঙাক্কী স্কুলদা লেম্না মহৈ তমহল্লগনি হায়দুনা লাউথোকপা য়ারম্বনি। য়াম্না নুংঙাইতে। পূম্নমক অরেম্বা লোইনা ওইখ্রে। লৈঙাক পায়রিবশিংসে ৱাবনা খম থেংলম্লগনি। ৱারবসু ৱানা খাঙবদি ফজনা খাঙবা ঙম্মী। ঐখোয়গী লৈঙাকপশিং। ●

# কংলৈপাক্কী মপারি

- ফৌকৈশংবম ওংবী ইবেমলৈ-
হোজাই, অসাম

অদুগীসু মথক্তা মীচম মীয়ামগী ঈ চূপ্পা ওইজবতা থিরিবা ইন্দিয়া লৈঙাক্লা ঐখোয় মীতৈ হায়বদি মীতৈ লৈবাক অসিবু অসুক্কী মতিক থৌওইবিদবা অমদি মিথানবীদবগী মরমদি মখোয়গী পেন্দবা কয়া লৈখিবনরা নৎত্রগা লৌনম চিরোল কয়াগা অরোৎপা ৱাখল্লোন লৈনখিবনরা নৎত্রগা শুপ্নতগী মীতৈ ঐখোয়ব নুংশিবীদবনরা অদুদি খঙবা ঙমজদ্রে। অদুবু মীতৈ লৈবাক্তা থোক্লিবা তমথীরবা থৌদোক অসিদি লায়না নেমথহনবা ঙমগনি হায়না খঞ্জে। অদুবু মখোয়গী লোম্থোক্তবা মতৌদুনা করিবু খল্লিগবা হায়বনচিংবা ৱাদবা ঙমজদে, থম্মোয়দা নুংনাংজৈ।

ঐখোয় ওজা বিমোলগী মীচংসু নৎচদে, কোংগ্রেস অমসুং বি জে পি লৈঙাক্কী মীচংসু নৎচদে। অদুগীসু মথক্তা লৈঙাক্কী মরমদা থোইদোক্লা খঙজবসু নৎচদে, য়াওরুবসু লৈজদে। শুপ্নতগী মপান থোংগী কুরাংবান খরদা তাজবা-উজবা খরদং ফোঙদোকচবনি। অদুগা ঐখোয়গীদি অৱা-অনা তারিবা ইমুং অমবু ঙাক শেন্দুনা কন্দুনা পুখৎপা ঙম্বা মপু অদুতবু পামজবনি। লৈঙাক্তি-লৈঙাক্লি, মসিদা করিসু খেন্নবা লৈতে অমসুং ঐখোয়না লৈঙাক্কী মরমদা করিগুম্বা অমা হায়জরুবদসু ইতিক-ইপা চাজদে। অদুবু হৌজিক্কী মতমসিদদি অরানবা চৎপা, ওইদবা ঙাঙবা, লৌনম নমথাক্লা অফবনি অমসুং অচুম্বনি হায়না লৌনরবা মতমনি। লোয়ননা মাগী মীচংসু হেনবনি। অদুগা ওজা বিমোলগী মফমদা অতোপ্পা কনাগুম্বা ওজা অমনা লৈবিরম্বা ওইরবসু ঐখোয় অসিমক হায়জগনি। ওজা বিমোলনা পার্লিয়ামেন্টতা থম্বীখিবা ৱাহৈ খরদো য়াম্না মরু ওইবা বর্নিং টোপিকনি হায়না ঐখোয়না খঞ্জে অমসুং ইরৈবাক ইরমদমগী পেন্দবা, নুংঙাইতবা অমদি অৱাবা কয়া হায়নীংবা, ফোঙনীংবা কয়া লৈরগসু মতম্না অককুবী ওইখিবনা ফোঙদোকপগী তাঞ্জা ফংখিদবনি হায়বগী পেন্দবা ফোঙদোকচনীংই। লোয়ননা শৈরেং অমা থিবগী মতম ফাওবা নত্তে হায়জনীংই। মসিদা করিনো ৱাকৎচগদবা। মপান লমদা লৈরিবা ঐখোয়সু তানীংবা, খঙনীংবা কয়ানি অদুবু মতাং মতমগী মতুং ইনবনি হায়না খঞ্জদুনা পেন্থোকচরবনি। অদুগা নুমিৎ অদো চন্দ্রায়াননা থাদা কাখিবদা য়েংনীংবগী খৌরাংনা ঙাইজখিবগুম ওজা বিমোলগী স্পিসবুসু তাজনীংবনা লাংতক্লখি।

অসিদসু নত্তনা ঐখোয়না য়াম্না পেঞ্জদবা অমনা ওজা বিমোলনা পার্লিয়ামেন্টতা স্পিস পীবিখিবগী মতমদো প্রাইম মিনিষ্টর, হোম মিনিষ্টরনচিংবা অতৈ অতৈ ওনরেবলশিংনা হন্নখিবগী ইহাঙ-হাঙবা অহিং নোংয়াই চবুক্তুদা ওইহনখিবদুসু খরদি পেনখিদে হায়জনীংই। মসিনা তাকপদি ঐখোয় মীতৈ লৈবাকসে ইন্দিয়া লৈঙাক্লা মীথানবীদবা অমসুং থৌওইবীদবনি হায়বা ময়েক শেংনা খঙবা ঙমজে। অদুবু ওজা বিমোল অহিং নোংয়াই চবুক্তা ওইরবসু ইরৈবাক ইরৈচাশিংগীদমক নীংহন্নবা অমসুং ইশাদা চোকথবা লৈতনা থৌনা লিংজেলগা লোয়ননা মখৌ পোঙনা লাউখিবা খোল্লাও অদো পুৱারীগী লমায়দা লেঙদনা লৈহৌরনি। ওজা বিমোলগী অফ-ফত্ত, অচুম-অরান অমসুং মীতৈ লৈবাক কনবা ঙম্বা-ঙমদবা অদুদি তোঙানবা ৱাফম্নি। অদুবু ইপা-ইপুগী থৌনা লিংজেলগী অশেংবা ঈদুদি ওজা বিমোল অমদি ওজা অলফ্রেদ কানঙম এস অর্থর অনীগী শীংলিদা চেনবগুম তৌই।

মরমদি ঙসি ইন্দিয়ানা অৱাংবা ফিরাল থেৎতুনা চাওথোক্তুনা হিংজরিবসিসু পীক্লবা মণিপুরগী চাউরবা থৌদাং কয়া য়াওরি হায়বা কাউশিন্নদুনা তূমদুনা লৈরম্বা ইন্দিয়া লৈঙাকপুসু মীকপ থোকহনবীরম্লে হায়না খঞ্জে। অসিগীসু মথক্তা নোর্থ ইষ্ট হায়বদি মণিপুরগী ওইবা নীংথিজরবা হিষ্টরিকেল কয়া অৱাংবা থাক্কী তম্না লাইরিক্তা লমায় অমা ফাওবা হাপ্পীদে হায়না থেংনজবগা লোয়ননা রবিন্দ্রনাথ টেগোরনা ইবিরম্বা ঐখোয়গী নেশনল এন্থেমদফাওবা মণিপুর অমদি নোর্থ ইষ্টকী ওইবা ৱাহৈ অমত্তসু শৈথাবিরমদে। অসিদসু নত্তনা ফাইনান্সিএল বডজেটতসু মীতৈ লৈবাক্তা নত্তনা নোর্থ ইষ্টকী চাওখৎ থৌরাং কয়াগীদমক থোইদোক্লা মতেং পীবিরকপসু লৈতে হায়না তাজে। অদুগা ইন্দিয়াগী লন ওইরিবা মালেমদা তোমথীন ঙাল্লিবী মণিপুরগী কৈবুল লমজাও নেশনল পার্কনচিংবা মহৌশাগী পোত্থোক কয়াসু মখোয়না করিসু থৌওইবীদনা তৌই। মসিনা তাকপদি ইন্দিয়া লৈঙাক্লা ঐখোয়গী মণিপুরনচিংবা অৱাং নোংপোক মায়কৈ অসি য়েলহৌঙৈদগী হৌনা মিথানবীদবা অমসুং থৌওইবিদনা লৈরল্লবনি হায়না খংবা ঙমজে। অদুগা ঐখোয় মীতৈ অসি মখা মায়কৈদা মীতৈ নৎত্রগা মণিপুরী হায়রগসু খঙনরমদে, পহারি হায়রগা খঙনরম্মী। অদুবু হন্দক্কী মীতৈ লৈবাক্কী লাইবক থীবা থৌদোক হায়বদি তমথীরবা ঈহৌ অসিনা মীতৈ হায়বা শাগৈ অসি মালেমদা শিন-থুংনা তাওথখ্রবনি।

অদুম ওইরবসু ওজা বিমোল থোঙজিন্দা কানশিনবতা ঙাইহি অদুক য়াঙনা মিনট খরদা ইমুংদুদা লৈরিবা অমোৎ-অকায়, ফত্ত-হৌদিশিংদো করম্না শেংদোকপা ঙমগনি। হান্নদগী লৈরম্বা ইমুংদুগী মীওইশিংনা ফত্তবা ইমুংদুগী অফ-ফত্ত ঙাকথোক্তুনা অমোৎ-অকায় শেংদোক্তুনা অৱাৎ-অপা মেন্দুনা পুখৎপা ঙল্লমদে, ঙরাংদা চঙলক্লিবা মীওই অদুনা অদুক য়াঙনা করম্না শেংদোকপা ঙমগনি। ●

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-১০১

১) **"অশাংবা ৱারী অসি ১৯৮৯দা ইখিবনি। খোৎনীংবগী মিহুল অমদগী পঙখোৎ খোৎখিবা হায়বদুনি পঙফ ফগদবা মান্দে।"** ৱাহৈ পরেং অসি শক্লাইরবা অইবা অমগী মমিং লৈরবা লাইরিক অমগী ৱাহৌদোক্তা ইবনি। অইবা অসি কনানো? লাইরিক্কী মমিং করি কৌবগে?

২) **"অতোপ্পা লাষ্ট বস অমা"** হায়বা লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিক্লো অমদি অইবগী মমিং হায়য়ু।

৩) **"লান্মী অহুম"** হায়না মিংথোনবা লাইরিক অসি মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপগে? ওরিজিনেল রাইটর অমসুং লাইরিক্কী মমিং করিনো?

৪) **"তৎখ্রবা লংলা"** হায়রিবা লাইরিক অসি অইবা কনাগী লাইরিক্লো?

৫) **'হেলোয়গী ৱাশক"** হায়বা লাইরিক অসি কনানা ইবগে? করম্বা মখলগী লাইরিক্লো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম নবেম্বর ১৫,ইরাই নুমিৎকী অয়ুক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।